## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ডা. কে বিমোল কুমার মেমোরিএল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা ডা. কাংজম সনাজাওবনা চহীসিগী ওক্টোবর ২৮দা খঙহৌদনা তাইবঙ থাদোকখিবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এল সদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙ থাগী ৩১দা ট্রষ্টকী প্রোফেসর এল সদানন্দনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

## কানাদিয়ান মণিপুরিনা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং ইং তপ্পা লৈমিন্নবা কানাদিয়ান মণিপুরী এসোসিএসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

কানাদিয়ন মণিপুরী এসোসিএসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পিছ টোক চথুরিবা অসিগী এমিকেবল সোল্যুসন পুরকপা ওইরসনু। লমদমসিদা লৈমিন্নরিবশিং ইং-তপ্পা হিংমিন্নবা ওইসনু। কানাদাদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা ঐখোয়গী নাওফুম মণিপুর ইমা লৈবাক্তা লৈ হায়বা কৈদৌনুংদা কাউথোক্তে। ঐখোয়গী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা অশেংবা কংলৈচা ওইনা লৈগনি।

নাগাগী সেটলমেন্ট অসিগী মরক্তা চীংনবা কয়া অমদি লৈ। মচিন মনাও ওইবগী পুন্না হিংমিন্নরিবা অসিদা চৎপা তাই। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা পুন্না হিংমিন্নরক্লি। ইথনিক ব্রেকগ্রাউন্দদা খাইদোক খাইজিনগী থৌওং চথুরকপগী মায়োক্তা লেপকনি। মণিপুরগী লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোলগা লোয়ননা পুন্না হিংমিন্নসি। নাকল অনীমক্লা অফবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এ আই য়ু টি সিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচএন এস): মতম শাংনা লৈবাক অসিগী শীন্মী মীয়ামগীদমক মতম চুপ্পদা কথোকপগা লোয়ননা শীন্মীশিংগী ইহৌ কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা শীন্মী মীয়ামগী লুচিংবা হান্নগী এ আই য়ু টি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরম্বা গুরুদাস দাসগুপ্তনা হৌখিবা ওক্টোবর ৩০দা লৈখিদবদা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সি) মণিপুর ষ্টেট কম্মিতিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি য়ু সি মণিপুর ষ্টেট কম্মিত্গী সেক্রেটরী এ সরতচন্দ্রনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোরকপা চেরোল অমনা হায়, গুরুদাস দাসগুপ্তগী কথোকপা ঙম্বা থৌনা, শুরি নোল্লিবা মীয়ামগী য়াইফনবা পার্লিয়ামেন্টকী মপান অমসুং মনুংদা থেংনদুনা লাকখিবা লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি শীন্মী মীয়ামগী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙম্মবা এ আই য়ু টি সি মণিপুর ষ্টেট কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নর ঙসি কোলকতাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

দাস গুপ্তা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা সি পি আইগী মীহুৎ ওইনা টার্ম কয়ারক মেম্বর ওইরম্মী। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী অমা লৈহৌরি। এ আই য়ু টি সি মণিপুরনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা রেদ সেলুট পীজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লম্বী ফিভম শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২গী চীংমৈরোংদগীনা কৌব্রু লৈখা ফাওবগী এরিয়া অসিদা মফম অয়াম্বদা হায়ৱে অসিগী কোইলাস ফক্কাইদুনা লম্বী নমথবদগী গাড়ি চথোক চৎশিন তৌবদা গাড়ি দ্রাইভরশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে হায়রি।

খ্বাইদগী খুদোংচাদ্রিবা অসি চীংমৈরোং সঙাকফম এরিয়া, অৱাং সেকমাইগী নোংথোম্বম এরিয়া, মোটবুং কৈথেলগী অৱাং থংবা ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি কৌব্রুলৈখা এরিয়ানি হায়রি।

## ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটি শোকহনবা য়ারোই : মুসু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটি শোকহনবা য়ারোই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মুসুগী প্রসিদেন্ট কৈশাম দেবানন্দ অমসুং সেক্রেটরি মরিনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি লালহৌলূপ এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরক্লিবা চহী ২০ হেল্লবা পিছ টোক অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লনবা ওক্টোবর ৩১দা পূন্না ফম্মিন্নদুনা য়ানবগী ফীভমদা লাকখিবা অসি মুসুনা তরাম্না ওকই। অদুবু পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিনগী অশেংবা ৱাফম অমত্তা মীয়ামদা লাউথোক্তবনা মরম ওইরগা অমদি মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্স কয়া অমা লেপ্পা লৈতনা মণিপুরদা থাজিল্লক্তুনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা তৌরক্লিবা থৌরাং অসি চেকশিন্নীংঙাই ওই অমদি লৈবাক মীয়ামদা চিংনবা অমসুং নুংনাংবা পোকহল্লি। নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটিদা শোকহনবা য়ারোই। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী থাক নেমহনগদবা মচাকশিং ৱারোইশিন অদুদা য়াওবা য়ারোই। মণিপুর অসি কাঙলূপ-ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুদামিন্নবা লমদম অমনি। অপূনবগী শক্তম কায়বা য়াবা খোঙথাংশিং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌরকপদা লমদমসিগী মহৈরোয় খুন্নাইনা য়াবা ঙম্লোই অমসুং তুমিন্না লৈরোই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক মুসুনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা লেপকনি।

মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা চেন-চোংলিবা লৈঙাকপশিংনসু মশাগী ওইবা ফিরেপ অথুবা মতমদা মহৈরোয় খুন্নাইগী ঈহুল খঙনা লৈবাক মীয়ামগী মাংদা থমগদবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি মীয়ামগা তানরমগনি হায়রিবা ৱাফম অসি লৈবাক মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। নাগা পিছ টোক অসিনা লৈবাক ঈরাং হৌরক্কনি খন্দুনা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিল্লক্তুনা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিংদা কেম্প হাংদুনা থমজিল্লিবা অসি খূদক্তা লৌথোক্কদবনি। মহৈশঙশিংদা লাম্নীশিং থম্বগী অয়াবা পীরিবা লৈঙাক অসিসু অঙকপা পোকই। হায়রিবা খোঙথাং অসি লৈঙাক অসিনা লিশাং শীৎনা মহৈরোয় খুন্নাইদা য়েংলকপা মীৎয়েং অদুগী মমিনি হায়না মুসুনা লৌই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা পুন্না লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ-ফুরুপ কয়াগী মহৈরোয় ইচিল-ইনাওশিংনা পূক্নিং লৈতানা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নবগী থৌদাং অদু মতম চুপ্পদা লৌমিন্নসি হায়নসু মুসুনা আপিল তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুর কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা পীদ্রবদি ফম থাদোক্কদবনি : কে কে এল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোকনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই অমদি নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অকায়বা পীহল্লোই হায়বগী থাজবা পীবা ঙমদ্রবদি এম এল এ ৬০ অমসুং এম পি ৪ খূদক্তা ফম থাদোক্কদবনি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)না ফোঙদোরক্লি।

পাওনা কৈথেলদা লৈবা কংলৈপাক কনবা লূপকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা হায়খি, চহী ২০০০ হেনবগী মণিপুরগী পুৱারীবু খন্নবা তৌদনা ফুরুপ অমখক্তংদা য়ূম্ফম ওইরগা কুমজা ২০১৫দা নাগা পিছ একোর্দ অমদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ঙরাং ওক্টোবর ৩১দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগা ৱারী শানদুনা খূৎয়েক পীনবগী তানফম অমা লাকপসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা য়ৈখায় থিনগায়বা য়াবা ৱাহৈ-ৱাতা য়াওরম্বা তারগদি কৈদৌনুংদা মণিপুর মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা য়ৈখায় থিনগায়বা য়াবা ৱাফম য়াওরল্লবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপগী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমদি ফুরুপশিংগী নুংশিনবা অসি কায়হল্লোই হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ অমা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎয়েক পীদুনা থাজবা মণিপুর মীয়ামদা পীগদবনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্নবগীদমক কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তসু লূপ অসিনা মতম পূম্বদা শৌগৎকনি। মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ফুরুপশিং অমদি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগা য়েক্লবা নত্তে। নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নসি। চহী লিশিং কয়া নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থাজিল্লক্লিবা অসি অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরগা থেংনমিন্নবা মতম ওইরে। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা পুরক্লবা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা অমনা অমগী অশোয়বা থিদনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা নাগা পিছ একোর্দকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়বগী অমত্তা ওইবা ফিরেপ লৌমিন্নসি। হরাও-কুম্হৈনচিংবসু মতম খরা পাঙথোকপা লেপখিসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## করম্বা খোঙজং চঙলগা মণিপুর মীয়াম্বু ইকায় খুম্নগদৌরিবনো ঃ নুপী মরুপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা য়ানবা পুরকপবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু লুরিবদি য়ানরিবা ৱারোলদা করি-করি য়াওরিবগে হায়বদুদি মীয়ামদা ফোঙদোক্তে। অরোনবা ওইনা ৱাফমশিং অদু থমখিবনা মণিপুর মীয়ামদা করি নমথাক তৌরিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রবনিনা মখা তানা করম্বা খোঙজং চঙলগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়াম্বু ইকায় খুম্নগদৌরিবনো হায়না ওল মণিপুর নুপী মরূপনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা মণিপুর লৈঙাকপু হন্না হন্না নমথাক তৌরিবা অসিদা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা থাজবা শুকঙম ঙমদে। মরম অদুনা য়ান্না চেরোলদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অথুবা মতমদা খঙহন্দুনা মীয়ামগী মীপায়বা অসি কোকহনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মহৈলোইশঙদা মিলিটরি থমজিনবগী মতাংদা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন কয়ানা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): মহৈলোইশঙ কয়াদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স থমজিনবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন কয়ানা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

সিভিল সোসাইটি কোলিএসন ফোর হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর এন্দ য়ু এনগী কোওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সম, কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস মণিপুরগী সেক্রেটরী ওক্রম ন্যুতনকুমার, এক্সত্রা জুদিসিয়ল এক্সজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলি এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বম, হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী এক্সজিক্যুটিব দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবম, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুরগী চেয়ারমেন জয় চিংঙাখম, রিছতআউটকী কোওর্দিনেটর ওনিল ক্ষেত্রিময়ুম, লাইভ ৱাটচ মণিপুরগী সেক্রেটরী জেনেরল নিংথৌখোঙজম রাজেস অমদি য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী প্রসিদেন্ট দল্লীয়ু সেকেন্দনা খূৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা







পীশিনখিবা চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স অমদি আর্মি কয়া এয়রলিফ তৌদুনা মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবশিং অসিদা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দর অমদি সিভিল সোসাইটি গ্রুপশিং অসিনা ৱাফম খরা থম্বনি।

মণিপুরদা মিলিটরি ফোর্স কয়া থাজিল্লকপা অসিনা এলার্মিং ওইবা ফিভম অমদা লৈরে। সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স কয়া মোর্দন কোলেজ, মহারাজা বুধচন্দ্র কোলেজ, দি এম য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা থমজিল্লক্লি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননসু এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং ষ্টেসন তৌদনবা ওথোরাইজ তৌরি।

এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনদা মিলিটরাইজেসন তৌবা থৌওং অসি নেসনল লো অমদি ইন্টর্নেস্নেল লো ভাইওলেসন তৌবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স কম্মিতি ওন রাইটস ওফ চাইল্ড অন্দর ওপস্নেল প্রোটোকোল টু দি কনভেন্সন ওন রাইটস ওন চাইল্ড ওন ইনভোলভমেন্ট ইন চিলদ্রেন ইন আর্ম কনফ্লিক্লসু রিকমেন্দ কয়া তৌরি। অঙাংশিং অমদি স্কুলশিংদা লৌখৎকদবা মেজর কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থল্লি।

মহৈলোইশঙশিংদা পেরা মিলিটরি অমদি মিলিটরি ফোর্স কয়া থমজিল্লিবসি অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু অমদি মরী লৈনবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া য়াওরি হায়রি।

## 'মহৈলোইশঙশিংদা পেরা মিলিটরি ফোর্স থমজিনবগী থৌওং অসি কন্দেম তৌই'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙোনবা কোলেজ অহুমদা মশিং য়াম্লবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থমজিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা অকি-অখং কয়া পোকহনবা মানবা থৌওং চথুরক্লিবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম এস ওগী ঐচ আর দি সেক্রেটরী এম দি রফিজুদ্দিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈলোইশঙশিংদা থমজিল্লিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অসি অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি। লানগী মতমদা ফাওবা স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদা মহৈ মশিন তম্বদা অয়েৎপা অকায়বা অমত্তা ফাওবা পীদে হায়নরিবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা কোলেজ অহুমদা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থমজিন্দুনা মিলিটরি জোন অমা ওইহ্নোক্লনবা হোৎনরিবা অসি য়ানিংদে। মহৈশঙশিংদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থমজিল্লকপা অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গেভর্ণমেন্ট অনীগী মীপায়নিংঙাই ওইবা অরোনবা পোলিসি অমা লৈরব্রা হায়না মীয়াম্না চিংনদবা ঙমদে। অথুবা মতমদা কোলেজশিংদা থল্লিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং লৌথোকপীদুনা মহৈ মশিন তম্বদা অকায়বা অমদি অয়েৎ অপন পীবিদনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি।

অমরোমদা, এ এম এম এস ওনা এক্সপ্লোর য়োর বেষ্ট টেলেন্ট হায়বা থিমদা ক্লাস আইটতগী তেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেগা কম্পিটিসন লাক্লিবা নবেম্বর ৩দা ক্লাস তেনগী ক্কালিফাইয়িং রাউন্দ অমসুং ক্লাস আইটগীনা নাইন ফাওবগী মেগা রাউন্দ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী চরাংনবা কয়া লৈবনা নবেম্বর ১৬তা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা পান্দম অমদা ফিল্মমগী প্রেমিয়র সো উৎকদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ধাকাদা কুমজা ২০২০গী জনুৱারি ১১দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরগী ওইনাম গৌতমগী নেসনল এৱার্দ ৱিনিং ফিল্ম পান্দম অমদগী প্রেমিয়র সো উৎলগনি।

পান্দম অমদা হায়বা ফিল্ম অসি ফেষ্টিভেল অসিগী য়াম্না মরু ওইবা চিলদ্রেন ফিল্মগী সেক্সন অমা ওইনা উৎকদৌরিবনি। ফেষ্টিভেল অসিদা উৎকদবা ফিল্ম ১৫গী মনুংদা মণিপুরগী ফিল্ম পান্দম অমদা হায়বসিসু খল্লকখিবনি।

তখেল ফিল্মগী বেনর মখাদা সোরোকোননা পুথোকখিবা অমদি ওইনাম গৌতমনা দিরেক্টর ওইবা নেসনল এৱার্দ ৱিনিং ফিল্ম পান্দম



অমদা হায়বসি ইন্টির্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা উৎকদৌরি।

ধাকা ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলগী দিরেক্টরর অহমদ মুজরাবা জমালনা ফিল্ম দিরেক্টর ওইনাম গৌতমদা কম্ম্যুনিকেট তৌরকখ্রে। চিলদ্রেন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ফিল্ম সেক্সনদা পান্দম অমা হায়রিবা ফিল্ম অসি খল্লকখিবনি। ফিল্ম অসিনা নুপামচা অমনা মহাক্কী এদ্যুকেসনগীদমক লাকখিবা হিরমদা মপুং ওইনা উৎলি। ফিল্ম অসিনা পেরেন্টেল স্কিলগী মরু ওইবা কয়া অদু উৎলি। বোবি তখেল্লম্বমনা ফিল্ম অসিগী লিদ করেক্টর রোল লৌরি হায়রি।

## নুপা ১ শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচএন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা কোনবা য়াইরিপোক টোপচিংথা অমদি নিংথৌমনাই অনীগী তাইনবদা লৈবা কবরষ্টানদা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

ঙরাং অয়ুক শিদুনা লৈরম্বা নুপা অদু পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবা মতুংদা লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। মহাক্কী মমিং লৌরেম্বম দিনেশ্বর (২৮) অপোকপা কালাচান্দ কৌই। মহাক য়াইরিপোক টোপচিংথা ওইনাম থোং লৈরক্তা লৈবনি হায়রি।

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙরাং জেনিমস হোস্পিটালগী মোগতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিংদা পুলিসনা খুৎশিন্নখ্রে।

## নাগা একোর্দকী ৱারোইশিনগী মিংদা ষ্টেট অসিবু মিলিটরাইজেসন তৌবা য়ানিংদে : সী পি আই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস): এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী ২২ হেন্না ৱারী শানদুনা নাগা একোর্দকী ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়বগী মিংদা মণিপুরদা কা হেন্না মিলিটরি ফোর্স পুশিল্লক্তুনা মণিপুর ষ্টেটপু মিলিটরাইজেসন তৌরক্লিবা অসি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীওই লাখ ২৮ লোমখক লৈজবা ষ্টেট অসিদা হান্নদগী লাম্নী অমসুং পুলিস লাখ ১ রোম লৈরিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীশীংগী চাং অসিদা য়েংনরুবদা মী ৮০ খূদিংগী খূৎলায় মতীক চানা পায়বা সিফাই অমমম্ থল্লিবনি। ষ্টেট অসি মিলিটরিনা ৱাই চাইবগুম্বনি। মথক্তা পনখ্রিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মশীং অদুগী মথক্তা হন্দক্তা নাগা একোর্দকী মিংদা সিক্যুরিটি ফোর্স কম্পেনি ১৫ থাজিল্লক্তুনা মহৈ তম্ফম শঙশিংদা লৈফম পীরি। ঙসি-ঙসিসু এয়রলিফ্ট তৌদুনা মখা তানা পুশিল্লকপগী পাউসু তারি। মসি তশেংনমক ষ্টেট অসিবু মিলিটরাইজেসন তৌবনি হায়না লৌগনি। বিহারগুম্বা ষ্টেটতা মীওই ৪৮০ খূদিংগী সিফাই অমমম্ থম্বগুম তৌরি। করিগীদমক্তা মণিপুরদনা কা হেন্না থল্লিবনো। বিহারদা মশীং খঙদনা ৱাথোক থোক্লি। লালহৌবগী ঈরাং অদুম লৈরি। অদুগা করিগীদমক মণিপুরদনা চাং হেন্না থল্লিবনো।

মণিপুরগী মীয়াম অকিবতনা পিক থল্লে। পেন্দবা, নুংঙাইতবনা নে-তানা হিংবা ঙম্মদ্রে। চহী ২০০০গী পুৱারী লৈজবা মণিপুর অসি কায়গদ্রা হায়দুনা মীপায়দুনা মখল কয়াগী খোঙজং কয়া চথুরিঙৈ চৈরক্তা মিলিটরি মশীং লাকঙমদনা থাজিল্লকপা অসিনা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীয়াম সাইক্যাত্রিক লায়নানা লায়চুরক্লে। মসি পূম্নমক মীয়ামগী ৱাখল খঙদবা লৈঙাক পায়রিবশিংনা থবক তৌবদগীনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টিনা লৌই। মরম অদুনা মিলিটরাইজেসন তৌবগী মহুৎতা দিমিলিটরাইজেসন তৌগদবনি। নে-তানা, ঈংনা-চিক্লা লৈহনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)

**TOURISM CORPORATION OF MANIPUR LIMITED**
(Government of Manipur Undertaking)
OFFICE: DIRECTORATE OF TOURISM
NOTRH A.O.C. , IMPHAL WEST

**NOTIFICATION**
Imphal, the 31st of October , 2019

No. 1/2/2016 –TCML : In continuation to this Corporation notification of even number , dated 05/03/2019 and 25/10/2019 regarding contractual engagement to the post of Office Assistant ; Finance Assistant ; Receptionist and Driver, it is hereby notified for information to all the applicants that , the written test which was scheduled of 03/11/2019 has been postponed until further notice due to administrative and unavoidable circumstances.

Sd/- W. Ibohal Singh
**Project Director,**
**Tourism Corporation of Manipur Limited**

HL-B/5781/2




HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.